


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, AUGUST 26, 2019 PAGE 7




*পেরা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলসকী এস এল থ্রি ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী পেরা বেদমিন্টন মানাসি জোসি*

*খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টস গোল্ড কপ অন্দর ফোর্টিন মেনগী বেষ্ট প্লেয়র তাখ্রবা ঐচ দব্লিয়ু সি লংথবালগী কে সঞ্জিৎ*

## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা অহানবা ওইনা গোল্ড মেডল লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে

*বাসেল, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

স্বিটজরলেন্দগী সিটি বাসেলদা চথরকপা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অহানবা ওইনা লৌদুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী পুৱারী শেমখ্রে। জপানগী কেন্টো মোমোটানা নুপাগী সিঙ্গলসতা গোল্ড লৌবা ঙমখি।

ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ রিও ওলিম্পিক্স সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ৩শুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদগী হৌরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সিন্ধুনা জপানগী ওকুহারাবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমদুনা গেম অদু ২১–৭ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা গেম অমা মাঙজিল থারবী ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা অনীশুবা গেমদসু য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা শান্নবা ঙমখিবদগী জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু অহানবা গেমগা চপ মান্নবা পোইন্ট ২১–৭ দা থোইবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোইশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।



*নুপীগী সঙ্গলস চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী সিন্ধু (ওই) অমদি নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন জপানগী মোমোটা*

ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোটানা দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেনবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

পনবা য়াই, চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলশিংদা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ১৬শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথপু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৩, ২১–৮ দা মায়থিবা পীরম্বনি। ইন্দিয়াগী পি সাই প্রনিথ সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ ফংহৌখি। অদুগা ৫শুবা সিদেদ দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেননা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ১২শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী কান্টাফোন ৱাংচারোনবু ২১–১৫, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেনবু ২১–৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা জপানগী মোমোটানা অনীশুবা গেমদা দেনমার্ককী এন্টোনসেনবু য়াম্না লাকচনা ২১–৩ দা থোইবা ঙমদুনা নুপাগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেডল লৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র জপানগী মায়ু মাটসুটোমো অমদি ৱাকানা নাগাহারানা ২শুবা সিদেদ অতোপ্পা জপানগী পেয়র য়ুকি ফুকুসিমা অমদি সায়াকা হিরোটাবু ২১–১১, ২০–২২, ২৩–২১ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী ঝেং সিৱৈ অমদি হুৱাং য়াকিওংনা ৪শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী পেয়র দেচাপোল পুৱাভারানুক্রো অমদি সাপসিরি টৈরাট্টানাচাইবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–৮, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী মোহমদ অহসান অমদি হেন্দ্রা সেটিয়াৱাননা ১২শুবা সিদেদ জপানগী টাকুরো হোকী অমদি য়ুগো কোবায়াসিবু ২৫–২৩, ৯–২১, ২১–১৫ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী গোল্ড মেডল লৌখি।

## মার্কস জোসেফকী গোল অনীনা গোকুলাম কেরলানা মোহন বগানবু ২–১ দা থোইদুনা ট্রোফি লৌখ্রে

*কোলকটা, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপকী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মার্কস জোসেফকী গোল অনীনা তরাতরুক্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মোহন বগানবু গোল ২–১ দা থোইদুনা ট্রোফি লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা গোকুলাম কেরলানা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইষ্ট বেঙ্গলবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৩–২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি। অদুগা মোহন বগাননা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা রিয়েল কাশ্মীরবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

কোলকটাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী অমনা অমবু হেনজিনবা ঙম্নদনা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ শান্নবা লোইশিনখ্রবা মতুং অহাপ্পা মিনট অমদা গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোইশিংনা



*দুরান্দ কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফি লৌদুনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

চথরকখিবা এটেক অমদা মোহন বগানগী গোলকিপর দেবজিৎ মজুমদারনা গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোইদা ফাউল তৌরুবগীদমক মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরি অজিৎ কুমার মৈতৈনা গোকুলাম কেরলাগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি।

পাঙ্জল শোয়দনা ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরবা কিক অদু গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোই মার্কস জোসেফনা গোল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা মোহন বগানগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা গোলকুলাম কেরলাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা মার্কস জোসেফনা গোল অমগা চনশিন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা ১৬ রক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মোহন বগানবু নমথদুনা থম্বা ঙমখি।

গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোই মার্কস জোসেফনা মেটচ অসিদা অনীশুবা গোল চনখিবা অসি থারগা মহাক্না দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা চনখিবা গোল মশীং ১১ শুবা ঙমখি।

গোল শোখরবা মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা পাঙ্জল হন্দোক্নবা গোকুলাম কেরলাগী মায়কৈদা অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নদুনা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী এটেকশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঙ্জল হন্দোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী দুরান্দ কপকী ১২৯ শুবা ইদিসনগী ফাইনেল মেটচ অদু গোকুলাম কেরলানা মোহন বগানবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

## ইন্দিয়াগী য়ু–১৯ ফুটবোল টিম্না টাহিটিবু গোল ২–০ দা থোইদুনা ও এফ সি দিভলপমেন্ট টুর্নামেন্টকী মকোক ওইখ্রে

*পোর্ট ভিলা, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

ভানুআটুগী কোনুং পোর্ট ভিলাদা চথরকখিবা ও এফ সি দিভলপমেন্ট টুর্নামেন্টকী শান্নখিবা অহানবা পোজিসনগী মেটচতা ইন্দিয়াগী য়ু–১৯ নুপা ফুটবোল টিম্না টাহিটিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা মকোক ওইখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী ইন্দিয়ানা শান্নরোইশিংনা টাহিটিগী শান্নরোইশিংবু অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। মেটচকী ৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই নিঙ্থোইনা কাওশিনখিবা সোট অমা টাহিটিগী গোলপোষ্টকী ক্রোস বার মথক্তা চৎখিবদগী ইন্দিয়ানা পাঙ্জল মাঙজিল থাবা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

ইন্দিয়াগী কোচ ফ্লোইদ পিন্টোনা টিম অসিগী ষ্টার্টিং এলভেন অদু মমাঙদা ন্যু কালেদোনিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুগা চপ মান্নহনখি। মেটচ অদু ইন্দিয়ানা গোল ২–১ দা থোইদুনা টাহিটিগা অহানবা পোজিসনগী শান্ননবা দেট লেপখিবনি।

মখা তানা শান্নরকপদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোই গিভসন অমদি নিঙ্থোইনা টাহিটিগী দিফেন্স লাইন অদু থুগাইদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায়



পাকহনবা ঙমদনা থমখি। অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঙ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেম্প ১২ তৌবদা গোল তম্না সোট ৪ কাওশিনবা ঙমখ্রবসু পাঙ্জল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। অমরোমদা টাহিটিগী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়াগী মিডফিল্ডরশিং লান্থোক্তুনা বোল পুশিনবা ঙমদনা য়াম্না শোত্থনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংনা লাকখি। কোচ পিন্টোনা অমান ছেত্রিগী মহুৎ গুরকিরাট সিংহ শিন্দোকখি। মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা নিঙ্থোইনা পীরকপা পাস অমা টিমমেট গুরকিরাট সিংহনা য়াম্না ফজবা কলেক্ট তৌরবা মতুং সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা মনভির সিংহদা খাইদোরকপা বোল অদু মহাক্না হেদ্দিং তৌশিন্দুনা অহানবা গোল চন্দুনা টিম অসিবু মাঙজিল থাহনখি। গোল অসিনা মনভির সিংহনা টুর্নামেন্ট অসিদা চনবা অহানবা গোল ওইখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা দোমিনেট তৌদুনা লাকখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ২ ৱাংলিঙৈ মেটচকী ৮৮শুবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ভিক্রম প্রতাপ সিংহনা গোল অমগা চনশিন্দুনা টাহিটিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ও এফ সি দিভলপমেন্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক ওইবা ঙমখি।

## ইন্দিয়ানা ভুটানবু ৭–০ দা থোইখ্রে

*কোলকটা, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকটাদা লৈবা কল্যানি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা সাফ য়ু–১৫ মেন'স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না ভুটানবু য়াম্না লায়না গোল ৭–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসি ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হৌবদগী দোমিনেট তৌদুনা লাকখি। মেটচকী অহানবা মিনটতা টাইসন সিংহনা অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা গোল অমগা চনশিনখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল চনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি এন স্রিদার্থনা ৯ অমদি ২৫শুবা মিনটতা গোল অনী, পি সিংসননা মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা গোল অমা, ইসাক জোমুৱাপুইয়ানা ৮৭শুবা মিনটতা গোল অমা অমসুং রেনেদি মৈতৈনা মেটচকী ৮৯শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ৭–০ দা ভুটানবু মায়থিবা পীরম্বনি।

সাফ য়ু–১৯ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বাংলাদেশনা শ্রী লঙ্কাবু গোল ৭–১ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচ অসিদা বাংলাদেশকী শান্নরোই অল আমিন রহমদনা গোল ৫ চনবা ঙমখি। শ্রী লঙ্কাগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ৫০শুবা মিনটতা মুহমদ মিহরাননা চনখি।

## পোলেন্দগী হর্বর্টনা ৱিন্সটন সালেম ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*নোর্থ কেরোলিনা, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী নোর্থ কেরোলিনাদা চথরকপা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট ৱিন্সটন সালেম ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা পোলেন্দগী হর্বর্ট হুরকেজনা টাইটল লৌখ্রে।

ৱিন্সটন সালেম ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ পোলেন্দগী হর্বর্ট হুরকেজনা অহানবা সিদেদ ফ্রান্সকী বেনোট পাইরেবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নীংশিংবা য়াই, পোলেন্দগী হর্বর্ট হুরকেজনা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ২শুবা সিদেদ কানাদাগী শান্নরোই দেনিস সাপোভালোভপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা ফ্রান্সকী বেনোট পাইরেনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা য়ু এসকী ষ্টিভ জোন্সনবু ১–৬, ৬–০, ৬–০ দা থোইরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা পোলেন্দগী হর্বর্ট হুরকেজনা পাইরেগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই বেনোট পাইরেনা য়াম্না




ফজনা শান্নরকপদগী পোলেন্দগী হর্বর্ট হুরকেজগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইবা ঙমখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেটতা পোলেন্দগী শান্নরোই হর্বর্ট হুরকেজনা নম্বর ৱান সিদেদ ফ্রান্সকী বেনোট পাইরেগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা পোলেন্দগী হর্বর্ট হুরকেজনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অহানবা ওইনা লৌখি।

ৱিন্সটন সালেম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা য়ু এসকী এন মোনরো অমদি টি সেন্দগ্রেসবু সেট ২–১ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেট য়ু এসকী পেয়র মোনরো অমদি সেন্দগ্রেননা টাই ব্রেক্তা কুবোট অমদি মেলোবু ৭–৬(৮–৬) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতগী হৌরগা কুবোট অমদি মেলোনা য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী মখা তানা শান্নরকপা সেট অনী অদু ৬–১, ১০–৩ দা মায় পাক্তুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌখি।

## ইন্দিয়াগী আর্চর কোমালিকা বারিনা ৱার্ল্ড য়ুঠ আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌখ্রে



*মাদ্রিদ, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী কোনুং মাদ্রিদতা চথরিবা ৱার্ল্ড য়ুঠ আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর কোমালিকা বারিনা রিকর্ভ ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

ৱার্ল্ড য়ুঠ আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী রিকর্ভ ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী আর্চর কোমালিকা বারিনা জপানগী ৱাকা সোনোদাবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। কোমালিকানা মহাক্কী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বৈলদা কোরিয়াগী আর্চর অনীসু মায়থিবা পীরমখি।

মশাগী চহী ১৭শুরবী ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর হৌজিক–হৌজিক টাটা আর্চরি একাদেমী ( টি এ এ) দা কুমজা ২০১৬ তা ত্রেনিং ফংখি। মসিগী মতুংদা জমসেদপুরদা লৈবা আই এস দব্লিয়ু পি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতসু ত্রেনিং তৌরকখি। মসিদগী মহাক্কী পার্ফোমেন্স অদু ফজরকখিবনি হায়না কোমালিকা বারিনা ফোঙদোরকখি।

ৱার্ল্ড য়ুঠ আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পাউন্দ জুনিয়র মিক্স টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী আর্চর টিম্না গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। মখোয়না ফাইনেল রাউন্দদা স্বিটজরলেন্দগী পেয়র এন্দ্রিয়া ভাল্লারো অমদি জেনিন হুন্সপরগরবু পোইন্ট ১৫২–১৪৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখি। গোল্ড মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ জুনিয়র মিক্স টিম অদু সুখবির সিংহ অমদি রাগিনি মার্কুনা শেম্বনি।

## সুমিতনা অহানবা রাউন্দদা ফেদররগা শান্নরগনি

*ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

থা অসিগী ২৬ গী শান্নবা হৌগদৌরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুমিত নগালনা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররগা থেংনরগনি।

মশাগী চহী ২২শুরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুমিত নগালনা ঙরাং শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফায়িং রাউন্দগী অরোইবা মেটচতা ব্রাজিলগী জোৱা মেনেজেসপু ৫–৭, ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা মেন দ্রো চঙবা ঙমখিবনি। মহাক্না গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলসতা মেন দ্রো চঙবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী ৫শুবা শান্নরোইনি।

## পেরা ৱার্ল্ড বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী মানাসিনা এস এল থ্রিদা গোল্ড লৌখ্রে

*বাসেল, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

স্বিটজরলেন্দগী সিটি বাসেলদা চথরিবা পেরা ৱাল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী পেরা এঠলেট মানাসি জোসিনা এস এল থ্রিদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

পেরা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা এস এল থ্রি ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী লম্বা তৌনখি। মদুদা মানাসি জোসিনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী পরুল পারমরবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১২, ২১–৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল ফংখি। অদুগা পারুল পারমরনা সিলভর মেডল ফংহৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী এস এল থ্রি ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী প্রমোদ ভগৎ ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেরা এঠলেট মনোজ সরকার ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী এস এল ফোর ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলেট তরুন ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে। ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলেট সুকান্ত কদম ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

মিক্স দবলসকী এস এল থ্রিদা ইন্দিয়াগী প্রমোদ ভগৎ অমদি মনোজ সরকারনা গোল্ড মেডল লৌখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেরা এঠলেট পেয়র নিটেস কুমার অমদি তরুননা সিলভর মেডল ফংহৌখি। ভিক্রম অমদি উমেসনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। মেন'স দবলস এস এস সিক্সতা রাজা মাগহোত্র অমদি কৃষ্ণ নগরনা সিলভর মেডল ফংখি।

### ক্রোসৱার্দ ২৬০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | E | B | E | C | | O | K | R | A | | P | A | N | G |
| I | D | E | A | L | | R | I | A | L | | R | U | I | N |
| L | E | N | T | O | | G | E | R | E | | E | D | N | A |
| E | N | D | | B | R | A | V | E | R | E | V | I | E | W |
| | | R | O | B | I | N | | | T | A | U | | | |
| S | T | E | R | E | O | | D | R | I | V | E | B | Y | |
| L | A | S | E | R | | P | R | U | N | E | | R | O | E |
| A | L | U | M | | V | Y | I | N | G | | R | U | D | E |
| T | I | L | | P | E | R | P | S | | W | I | S | E | R |
| | A | T | T | U | N | E | S | | H | I | G | H | L | Y |
| | | | A | M | O | | | B | O | N | G | O | | |
| B | R | A | G | A | M | U | F | F | I | N | | R | A | E |
| L | O | N | G | | O | R | A | L | | I | N | D | I | A |
| E | L | K | E | | U | S | I | A | | N | E | E | D | S |
| D | E | A | D | | S | A | L | T | | G | O | R | S | E |